অহানবা কুঞ্জেশ্বর নীংশিং চেছ টুর্নামেন্ট

# অনীশুবা রাউন্দদা টোপ সিদেদ এপোলোসনা ১৬ শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা রেন্দ্রগা দ্রো ওইখ্রে

CHESS



সাইলেন্দ্রনা সাহেবকী মায়োক্তা শগোলগী মুভ অমা থাংখিবা

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* টোপ সিদেদতা লৈরিবা আর কে এপোলোসনা অমদি ১৬ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা এম রেন্দ্রনা টেবল নম্বর ১ দা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা দ্রো ওইখিবগা লোয়ননা শান্নরোই ২ না পোইন্ট ৪ / ৪ ফংনখ্রে।

মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা এলাংবম সুরজ মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ৱাখ্রে য়োংলান লৈরক্লা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা চথরিবা এলাংবম কুঞ্জকেশ্বর সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেটচশিংদা অনীশুবা সিদেদতা লৈরিবা কে ঐচ সঞ্জয় এল কোইরেংগী মখুৎতা মায়থীখ্রে।

এন বঙ্কীম্না পি ঐচ সুর্জকান্তবু, এল অতেম্বীনা কে ঐচ ওলেবু, এল য়েমেননা ৱাই শঙ্করবু, এ রোমিওনা এন য়োহেনববু, পি ঐচ গোপেশ্বরনা এল সোমোকান্তবু, এন বোবোইচানা রোনাল্ড সোইবম্বু, ৱাই ৱাইসনানা মালেমঙানবাবু, সেক্সপিয়র এলনা এ আনন্দ শর্ম্মবু, ও নিংথেম্না এম সনাতোম্ববু, এ সরতনা টি ঐচ উদোয়বু, এস শ্যামসননা এন লোকেনবু, এল সরোজকুমারনা খাইদেম ভুপেনবু, টি ঐচ সুনিলকুমারনা জি এ এরোস্মিদপু, এন তোলপিশক্লা বিরজিৎপু, আর কে পকাসনানা কে রাহুলবু, এস লোরেন্সনা ই সচিকান্তবু, লাইশ্রম ইবুঙোনা ৱাই নেলসনবু, সনসম রোবিন্দ্রোনা এন জি নুংশিথোইবু, এন সাইলেন্দ্রনা টি সাহেবপু অমদি এল ইবুঙোমচানা ৱাই কোনালিকাবু মায়থীবা পীখ্রে।

টেবল নম্বর ৫ তা শান্নখিবা সোইবম বোইনাও অমদি কে মেরাজাওগী দ্রো ওইখ্রে অমসুং টেবল নম্বর ৮ তা শান্নখিবা কে কুঞ্জবিহারি অমদি এল শ্যামকিশ্বরগী মেটচসু দ্রো ওইরগা পোইন্ট অমমম ফংনখ্রে।

# নাপসা খা–ইম্ফাল অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ভেটরান ক্রিকেটকী ফাইনেলদা থেংনরগনি

CRICKET



নাপসাগী বেটচমেন অমনা মোদেল ক্লবকী বোল্লর অমনা লংলকখিবা বোল অমা মায়োক্লখিবা

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* নাপসা খা–ইম্ফাল অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ২০১৩–১৪গী ফাইনেল মেটচতা থা অসিগী ১১ দা থেংনরগনি।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নাপসা খা ইম্ফালনা মোদেল ক্লব চিঙামখাবু রন ৩১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি। মেটচ অদুদা নাপসানা টোস ঙম্লনা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা টিম অসিনা অহানবা ইনিংস্তা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৪০ লৌখি।

ইনিংস অদুদা গৌতম্না বোল ৬৬ তা রন ৪৪, রতনকুমারনা বোল ২৫ দা রন ২১, কেশ্বর্জিৎনা বোল ১৯ দা রন ১৪ অমদি মহেশনা বোল ১৯ দা রন ১২ লৌখি। মোদেল ক্লবকী বোল্লর হোমেশ্বর অমদি চাওবনা ৱিকেট ২ / ২, প্রেমকুমার অমদি টি ঐচ ইবোয়াইমনা ৱিকেট ১ / ১ লৌখি।

মোদেল ক্লবনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৮.২ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ১০৯ খক লৌবদগী রন ৩১ দা মায়থীখিবনি। ইনিংস অদুদা টি ঐচ ইবোয়াইমনা বোল ৫১ দা রন ৩৩, চাওবনা বোল ১৬ তা রন ১৬, এন জি ইবোয়াইমা অমদি হোমেশ্বরনা বোল ১৯ দা রন ১১ / ১১ লৌখি। নাপসাগী বোল্লর রোনি অমদি গৌতম্না ৱিকেট ৩ / ৩, ভোগেননা ৱিকেট ২, পুথিবা অমদি রতননা ৱিকেট ১ / ১ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা নাপসাগী গৌতম্না রন ৪৬ অমদি ৱিকেট ৩ লৌরগা তাখি।




# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুরনা আসাম থোইরগা সেমি চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মণিপুরনা গ্রুপ (বি)গী অহানবা লীগ মেটচতা আসামবু গোল ৪–০ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা ডাঃ টি আও মেমোরিয়েল নোর্থ ইষ্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

আইজোলদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি আসাম রাইফলস গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মণিপুরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নাওতোননা ৫৮ অমদি ৭৩ শুবা মিনিটতা ২, সুশিলনা ৭১ অমদি ইমরান খাননা ৭৮ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

নাওতোনগী অহানবা গোল অদু রিয়াজ খাননা শাংনা পীরকপা ক্রোসিংদা গৌরোগী মতেংদগী চনখিবনি। অনীশুবা গোল অদুনা নাওতোনগী পাস্তা সুশিলনা চনখিবনি। মরিশুবা গোল অদুনা ফ্রি কিকতা ইমরান খাননা চনখিবনি। মণিপুরগী গ্রুপ লীগকী অরোইবা মেটচ থা অসিগী ৮ দা সিক্কিমগা শান্নগনি।

# ক্বাকৈথেল অমদি কখুলোং শগোলবন্দ কেন্দ্র ফুটবোলগী ফাইনেলদা থেংনরগনি



এস এস এ এন অমদি কে টি ঐচ এল ৱাই ওনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচকী মতাং অমা

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেল অমদি কে ৱাই সি কাখুলোংনা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র সবেন এ–সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা থা অসিগী ৮দা শান্নগনি।

শগোলবন্দ মন্ত্রিময়ুম লৈকাই ভলন্টরি ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা বিজয় গোবিন্দা লম্পাক্তা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী মেটচশিংদা কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেল অমদি কে ৱাই সি কাখুলোং মায় পাক্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে টি ঐচ ৱাই ও ক্বাকৈথেলনা এস এস এ এন থাংজম লৈরকপু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখি। কে টি ঐচ এল ৱাই ওগী গোলশিং অদু ৱাই রোকেট অমদি টি ঐচ রিঙ্কুনা ২১ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এস এস এ এনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ঐচ মহেশকুমারনা ১১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। কে টি ঐচ এল ৱাই ওগী টি ঐচ রিঙ্কুদা রেফরিনা ৪৭ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কে ৱাই সি কাখুলোংনা এস ৱাই দি এ বিজয় গোবিন্দা মমাং লৈকাইবু গোল ৪–১ দা মায়থীবা পীখি। কে ৱাই সিগী গোলশিং অদু অঙাংপু মরিংমৈ, লালজাংমৈ কামৈ, পাউরিংমৈ গাংমৈ অমদি গাইসাঙম মরিংমৈনা মথংশিংনা ২২, ৩৬, ৪৯ অমসুং ৫৩ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এস ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন জি সোনানা ২৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা পব্লিক অন্দরটেকিং কম্মীটিগী চিয়ারমেন অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপগী এম এল এ আর কে আনন্দ, অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ কে ঐচ শ্যামকুমার সিংহ, কারোং কেন্দ্রগী এম এল এ ডাঃ ভি এলেকজেন্দর পাও, টামেংলোং কেন্দ্রগী এম এল এ জাংহেমলুং পানমৈ, ৱাঙ্গৈই কেন্দ্রগী এম এল এ ও লুখোই সিংহ,ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সি কে রাধাকুমার সিংহ অমদি শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ আর কে ইমো সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি।

# দব্লিউ সি এনা পি সি সিবু রন ৭৯ দা মায়থীবা পীখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা এম সি এ প্লেট গ্রুপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ সি এ শগোলবন্দ টেরা য়েংখোম লৈরক্লা পি সি সি ময়াই কোইবীবু রন ৭৯ দা মায়থীবা পীখ্রে।

দব্লিউ সি এনা অহানবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩৫ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৬৫ লৌখি। ইনিং অদুদা ব্রোনসননা রন ৩৭, প্রসান্তনা রন ২৪ অমদি প্রেমজিৎনা রন ২৩ লৌখি। পি সি সিগী বোল্লর রঞ্জননা ৱিকেট ৩, শঙ্করনা ৱিকেট ২ অমদি রোহিদনা ৱিকেট অমা লৌখি। পি সি সিনা অনীশুবা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২৩ দা ওল আউট ওইরগা রন ৮৬ খক লৌবদগী রন ৭৯ দা মায়থীখিবনি। ইনিংস অদুদা জোনসননা বোল ৫২ দা রন ৪৫ লৌখি। দব্লিউ সি এগী বোল্লর দেব অমদি ইশ্বর চন্দ্রনা ৱিকেট ৩ / ৩ অমদি ননাওনা ৱিকেট ২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা দব্লিউ সি এগী ব্রোনসননা তাখি।

হয়েং ৱাই দব্লিউ সি পাইশোয়গা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা শান্নগনি।

## মেটচ অনীমক দ্রো ওইখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* জুবেনাইল এসোসিয়েসন ককচিং মখা লৈকাইনা শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা জে এ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীমক দ্রো ওইখ্রে। অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ (এ)গী শান্নখিবা মেটচতা ৱাই পি ও সোরা অমদি এস দব্লিউ সি ৱাইখোং গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী দ্রো ওইখ্রে। অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ (সি)গী শান্নখিবা সেসু ককচিং অমদি দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীগী শান্নখিবা মেটচসু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্দবদগী দ্রো ওইখ্রে।

## জুনিয়র অমদি ভেটরান ভোল্লিবোল

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* উচিৱাং ৱাংমা পোপুলর ৱেলফিয়ার ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র অমদি ভেটরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়রগী মেটচশিংদা এম আই এম ময়াংইম্ফাল মাইবম্না এস ৱাই দি সি সন্থেলবু সেট ৩–০দা অমদি কে এস এল ইরম সিফাইনা য়ু দব্লিউ পি ৱাই সি উচিৱা ৱাংমবু সেট ৩–০ দা অমদি ভেটরানগী মেটচতনা য়ু দব্লিউ পি দব্লিউ সিনা ৱাই য়ু সি সঞ্জেনবমবু ৩–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*